Downloaded From: http://iasexamportal.com

CS (Main) Exam : 2014

C-DRN-N-OBOC

# MANIPURI

( COMPULSORY )

| Time allowed : Three Hours | Maximum Marks : 300 |
|---|---|

---

## Question Paper Specific Instructions

***Please read each of the following instructions carefully before attempting questions :***

*All questions are to be attempted.*

*The number of marks carried by a question is indicated against it.*

*Answers must be written in **MANIPURI (Bengali script)** unless otherwise directed in the question.*

*Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to and if answered in much longer or shorter than the prescribed length, marks may be deducted.*

*Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.*

---

**Q1.** মখাদা পীরিবা অসিদগী অমওং খল্লগা ৱাহৈ 600 মূক্তা এসে অমা ইয়ু : *100*

(a) রাজনীতিদা নূপীগী থৌদাং

(b) চাইনীজ ইকোনোমী ফগৎলকপদা ভারতনা কিনীংঙাই ওইব্রা ?

(c) ভারতকী সমাজদা খাইনবা শকখঙলকপগী মশীং হেঙ্গৎলকপা ।

(d) অকনবা আইননা হৌন-লোনচৎ ঙাকহনবা ঙমগদ্রা ?



Downloaded From: http://iasexamportal.com

Downloaded From: http://iasexamportal.com

**Q2.** মখাদা পীরিবা পেসেজ অসি কুপ্পা পারগা নশাগী লোন্দা চুম্না অমদি ময়েক শেংনা হংলিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীয়ু : *12×5=60*

চহী কয়াগী মমাঙদগী হৌনা মালেম শীনবা থুংনা মীশিংনা খুল হোংদুনা খুন্দাবগী থবকসি মরম কয়ামরুমদগী মীওই ফূরূপশিংনা লমদম অমদগী লমদম্ অমদা খুল হোংবা হৌরকপদগী হায়বদি – লৌউবা য়াবা লম নত্রগা শজিক হৌবা লম্ থিরকপদগী, ওৎপীবা নত্রগা অওৎ অনৈদগী নাম্বোক্লবা হোৎনরকপদগী, নীং-তম্না ফোঙদোকপা নত্রগা থাজ-ৱাখল নীংতম্না চৎনবা থিরকপদগী নত্রগা শুপ্নতগী লমকোয়বগী ঈথৌ লাংবনা চিংদুনা চৎপা হৌরকখি । মরম-হোংলমীশিংনা মখোয়গী নাৎকী মচাকশিং অদু মশাগী মপোৎ-মচৈশিংগুম্না পুদুনা লাকই অমসুং অসুম্না লাকপা লম্বীদা নত্রগা অনৌবা খুন্দাফমদা হেন্না চাওখৎহন্নবা হোৎনৈ । লম্বীদা থেংনরকপা অতোপ্পা কাঙলুপশিংগা লান নত্রগা লল্লোন ইতিক তৌনদুনা, চারৌ মৌরৌনদুনা নত্রগা পূন্না থবক তৌমিন্নদুনা তোৎন-তিন্নরকই । অহৌবদা খৎন-চৈন্নবগী উংখৎনবা মতাং য়াওর-বসু মতম খরগী মতংদদি তং তাবা ফিভমদা লাকই, শান্তগী আর্ট অমসুং ক্রাফ্ট চাওখৎলকই । পীথোক-পীশিলগী মরী শাগৎলকই । নাৎ অমনা অমবু নমথবা য়াওদবা মনীং তম্বা ফীভমসিদা ফূরূপ খূদিংমক্তা মান্নদবা অপূনবা খুন্নাই অমা শাগৎলকই । মরম অদুনা মোঙ্গোলিয়াগী মীশিংনা এলাস্কা য়ৌরক্লম্বা য়াই, অদুগা এংলো সেক্সনশিংনা ব্রিটেন্দা, মতৌ অসুম্না মোজেজনা খল্লবা মীওইশিংদুবু লুচিংদুনা কেনন লৈবাক্তা নত্রগা ফংগে তাল্লিবা লমদমদু থিবা লাক্লম্বা য়াই । কলম্বসনা অসুম তৌনা মালেমগী থিজিন-খোঙচ্যাতা য়ুরোপকী জাতিশিংবু লমজিং পীদুনা পূক্লিং চিংশিল্লম্বা য়াই । মদুদগী কোলোনাইজেসন হায়বসি অতোপ্পা লৈবাকশিং অমসুং মখোয়গী সংস্কৃতিবু খূদম চন্নবা পাম্বৈ ওইরক্তুনা খূদম চল্লিবশিংগী মখাদা মখোয়বু থম্নবা পাম্বৈ ওইরকখি । হৌজিক্কী মতমদদি, লল্লোন ইতিক হায়বসিনা মীওই কূরূপশিংনা পাক-শন্না মরম-হোংদুনা লৈবাক অমদগী অমদা চৎনবগী অকনবা থৌইনশিন ওইরে । পুন্নমক অসিনা সংস্কৃতিশিং অমগা অমগা পূন্ন-শিন্নবগী খূদম ওইরি । কূরূপ খূদিংমক্তা মশাগী য়েলহৌঙৈগী ৱাখল, অরিবা ময়ূম্বু নৌহৌনা নীংশিংজবগী মীৎয়েং অসি মতম খর লৈরম্লবসু মীরোল অমা নত্রগা অনীগী মতুংদদি হান্নগী অরিবা ৱাখল অদুগী খুনাম ইরে লৈহৌদনা তিনশিনখি । অতোপ্পা চহীচা অমদদি মালেমগী মীশিং অসি অরিবা লম লমগী ওইবা নক্লমরীদু থম্বদা অৱাবা ওইরগনি হায়না মাঙজৌননা কনাগুম্বনা হায়বা ঙম্লবা য়াই । করিগুম্বা মতম অমদা নঙনা লৈরিবা মফম অদুনা নঙগী নরমদম হায়বদু ওইরবনি । লমদমদুগী



Downloaded From: http://iasexamportal.com

Downloaded From: http://iasexamportal.com

হৈ-লৈ, শা-উচেকশিং অদুগা নঙগা চূশিন্নবা লৈমিন্নবা তাবনি । অকক্লবা লমগী অমদি মালেম পৃথ্বগী মীৎয়েং অমত্তা ওইরক্লবনি । হান্নগী মশাগী শক্তম মাঙহন্দনা থম্বা হায়বদু ইরৈ লৈরক্লরোই । অনৌবা শন্দোরকলিবা মওং অসিনা মফম খূদিংমক্তা অনৌবা শক্লোন ওইহল্লগনি । পূনশিন্নরবা মীরোলশিং অসিদি মীৎয়েং শাল্লি, মাঙখ্রবা শক্তম নুংশিনা কোনশিন্দুনা থম্লিংলুবগী পূক্লিংব্রাখলদগী মখোয়দি মনীং তম্মি । নুপী নত্রগা নুপা অমওনা নাইতোম তাদুনা মদোমখক হিংবা ঙমদে – সংস্কৃতিসু অদু মঙায় । য়ায়পীশিন (সেল্লিপিতেল) অমসুং য়ায়শন্দোক (সেল্লিফ্যুগেল) শাফু মতম খরদি লৈরম্বা য়াই । মশীং নাইদ্রবা মীরোল কয়ানা নাগরিক খূদিংগীদমক, মাগী থাজববু ঙাক-শেনবীনবা মপানগী ঈথিল কয়াদগী ঙাকথোকচনবা লেপ্তনা তাইবঙ মপুদা থৌনীরম্বা য়াই । অদু ওইরবা ফাওবদা মখোয়শিং অসি মপানগী ঈথিল অমদি ঈরায়-ইনিল পূক্লিংদা ফাওগনবা লৌশিনগনবা ফাওজিনগনবা শক্লোননি হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনরবনি । মখোয়শিং অসি অসুক্কী মতীক মনীং তম্মি অদুগা মখাসু পোল্লি । জীনস, দি.এন.এ. অমসুং আর.এন.এ. কম্প্যুতরাইজ তৌদুনা শিংলী-নাউরী খূদিংমক্লা হান্নদা করি তৌখ্রবগে হায়বদু নীংশিংবা ঙল্লি পূক্লিং হকচাং অমদি স্পিরিচ্যুয়েল সেল্ফ অসিনা অতোপ্পনা করি খল্লিবা, হায়রিবা, তৌরিবা হায়বদু লায়না খঙবা ঙল্লি । অকিবা পোকহনবগী মীৎয়েং অসিমক অপঙবনি, অকিবনা তূক্কৎচবা পোকহল্লি, তূক্কৎচবনা মশাগী থাজববু মাঙহল্লি অমদি মসিনা লৈখা তাবা অমসুং অশিবা হায়বদু থোকহল্লি । লিরবা সংস্কৃতি কয়া অসুম্না অঙনবা মতমদা মূৎখ্রবনি । হিংননবগী দমক মীনা অতোপ্পদগী লৌশিনবা তাই, অতোপ্পা অদুনা নরক্তা লৈরবসু ।

ৱাহং :

(a) মরম-হোংলল মীশিংনা করম্না নৌনা খুন্দারুরিবা লমগী মীশিংগা অহানবা যেংনবগে ? 12

(b) অঙনবা মতমগী লম হোংবগী মরমশিংদু করি করিনো ? হৌজিক্কী মতমগী লমহোংবগী মরমগা অঙনবা মতমগী লম হোংবগী মরমশিংগা করিদা খেন্নবগে ইয়ু ? 12

(c) করম্না নাৎ নত্রগা সংস্কৃতিশিং অমগা অমগা পূনশিন্নরকপগে ইয়ু । 12

(d) লিরবা সংস্কৃতি কয়া মতৌ করম্না মূৎলম্বা য়াবগে ? 12

(e) অইবনা করিগীদমক সংস্কৃতি অমবু তোঙান তাদুনা মদোম হিংবা ওইখোক্কে হায়রিবনো ? 12



Downloaded From: http://iasexamportal.com

Downloaded From: http://iasexamportal.com

**Q3.** মখাদা পীরিবা ৱারেং অসিগী শরুক অহুম থোকপগী অমরোমদা শমজিনবা শমজিন-ৱারোল (প্রেসি) অমা পীয়ু । মসিগী মিংথোল পীগদবা নত্তে । **60**

ঐখোয়না থবক অমগী দরখাস্ত থাবা অমদি অশম-ৱারোল ইবা মতমদা ঐখোয়গী এক্সপিরিয়েন্স, হৌরকপা, অমদি ঐখোয়গী মরমদা অফবশিং তবু খঙ্গৎতুনা অয়াম্বনা ইনৈ । অয়াম্বনা পুন্সিদা মেংনখিবা খুদোংচাদবশিং অদুবু লোৎশিন্দুনা থম্লগা মখোয়গী মায় পাকপগী থবকশিংদা মীৎয়েং চিংশিন্নবা হোৎনৈ । থবক পীরিবা মীনা অসিগুম্না অশম-বারোল (রিজুমে) অসি পারগা দরখাস্ত থারক্লিবশিং অসি মী পুম্নমক্কী মনুংদা খ্বাইদগী অথোইবা ওইনা তওনা ফাওই । ঐখোয়না ইশাবু থবক ফংনবা খ্বাইদগী ঙমজবী থাদুনা উৎনবা হোৎনবা থেংনৈ । মসি তাইবঙপানগী চৎনরিবা মওংনি ।

মসিগা মরী লৈনবা, শান্নবগী লমদা লীনবা অশেংবা ৱারী অমা লৈ । য়ুনিভর্সিটিগী ফুটবোলগী তিম অমা কন্না লমজেল চেলহন্দুনা প্রাকতিস তৌর-ম্মি । শান্নরোয় অমদি লাইনমেনগী পোজিসনদা শান্নরম্মি । শান্নরোয় অসিনা পুশিল্লকলিবা বোনবু থিংনবা মহাকপু তিম অসিগী খ্বাইদগী য়াঙবা লাইনমেন ওইনা লৌনরম্মি । নোংমদি মহাক্না কোচতা চত্তুনা খ্বাইদগী য়াঙবা বেকশিংগা মহাক্না লমজেল চেনমিন্নবা য়াগদ্রা হংলম্মি । কোচনা মঙোন্দা অয়াবা পীরম্মি ।

লাইনমেন অদুনা নুমিৎ খুদিংগী লমজেল চেল্লম্মি, অদুবু নুমিৎ খুদিংগী মহাক অরোইবা তারম্মি । নোংমা নোংমগী মহাক লমজেল য়াঙখ্রবা বেক-শিংগা লমজেল চেলম্মি, অদুবু নুমিৎ খুদিং মহাক মায়থীরম্মি । লাইনমেনশিং অসি বেককুম্না য়াঙ্গদবনি হায়না লৌনরমদে মরমদুনা মহাক্না তোইনা পোগনি হায়বসি খঙনরম্মি ।

কোচ অদুনা মথন্তা ঙক্লদুনা খল্লম্মি : ফুটবোল শান্নরোয় অসিনা করিগীদমক খ্বাইদগী য়াঙলবা শান্নরোয়শিংগা লমজেল চেনমিন্নরগা মহাক্না অরোইবা তারবা ফাওবদা লেপ্তনা শরুক য়ারিবা করিগীনো, লাইনমেনগী ওইনদি মহাক অসি খ্বাইদগী য়াঙলবনি ।

কোচনা নহাদুবু কুপ্না য়েংলম্মি, নুমিৎ কয়ানিমুক লাইনমেন অদুনা মায়থিবদু উরদুনা মঙোন্দা হংলম্মি : 'নঙদি অতোপ্পা লাইনমেনশিংনা চেনমিন্নরগা থোইবা পামদ্রা বেকশিংগা চেনমিন্নরগা মায়থীবা নংগদবগী শরুক' ?

শান্নরোয় অদুগী পাউখুম তাবদা মহাক ইঙক ঙক্লম্মি । নহাদুনা খুল্লম্মি : 'ঐ হান্ননা মদু খঙই, অদুবু ঐদি লাইনমেন থোইনবা লমজেল চেনবা নত্তে । ঐদি করম্না



Downloaded From: http://iasexamportal.com

Downloaded From: http://iasexamportal.com

হেন্না য়াঙনা চেনগদগে হায়বদু তম্বনি । অদোম্না উবীরিবদুনি ঐনা মায়থিবা নংলিবসি নুমিৎ খূদিংগীদি খর খর হন্থরক্লবনি ।'

মসিনা ঐখোয়গী অধ্যাত্মিক্কী খোঙথাংগী অরোনবা শক্লোন তাক্লি । তাইবঙপানগী থবক-থৌরমশিংদা – ঐখোয়না খ্বাইদগী অহেনবদু উৎপা পাম্মি, অধ্যাত্মিক্কী মতাংদদি ঐখোয়না তাইবঙ মপুদগী খক লোৎপা ঙমদে । ঐখোয়গী চঙশিন খোঙথাং অসি তাইবঙ মপুদদি অহাংবা লাইরিকনি । অধ্যাত্মিক্কী লমদা ফংজরিবা থৌজাল অসিদি পুকচেল শেংনা হোৎনজবগী মহৈনি । তাইবঙ শেম্বা মপুদগী অধ্যাত্মিক্কী অমাঙ অতোংগী অচুম্বদি ঐখোয়না লোৎশিন্দুনা থম্বা ঙমদে ।

হৌখিবগী মায় পাকপদা মপান তাংদুনা ঐখোয়না হেন্না ফগৎপা হায়বদু ওইবা য়ারোই হায়বসি ফুটবোল শান্নরোয় অদুনা খঙই । মশাবু শীংনজবতনা হেন্না ফগৎলক্কনি হায়না মহাক্না খঙখি । লমজেল্লোয় অমা ওইনা মশাগী অশোনবদু খঙজবনা হেন্না ফগৎনবা হোৎনখি । মঙোন্দগী হেন্না ফবশিংগা শীংনদুনা লম অদুদা হেন্না মপূংফানবা, মশাগী অশোয়বশিং খঙজদুনা মদুবু খূদুম চনশিন্নবা হোৎনবা ঙমখি । মহাক্না ফগৎলকপদু পামখিবনি, মীনা শকখঙবীবা অমদি থাগৎপদু নত্তে ।

ফুটবোল শান্নরোয় অদুনা অতোপ্পা লমজেল্লোয় শিংনা তৌরিবদু উদুনা মশাগী মতীক-মঙম অদু হেন্না ফগৎনবা হোৎনখি । মহাক্কী মায়থীবনা মথংদা হেন্না ফগৎনবগী তংঙায় ফদবদু উৎপা ঙমখি । মতৌ অসুম্না মহাক্কী মায়থিবগী চাং অসুম অসুম হন্থরকখি । মায়থিববু য়েংলগা মথংদা করম্না হেন্না ফগৎকদগে হায়বদু খঙবা ঙম্মি । মরম অদুনা, হোৎনবতনা ঐখোয়না মমাঙগী নুমিত্তা শোয়খিবদুদগী অশোয়বদু হন্থরকপা থেংনগনি । অসুম তৌনা, মমৈথংদা অসুম অসুম ফগৎলক্কুনা অশোয়বা য়াওদবা থাক অদু ফাওবা য়ৌরকপা ঙমগনি ।

পূম্নমকপু উরিবা তাইবঙ মপুগী মফমদগী ঐখোয়গী অশোয়বদু লোৎপা ঙমদে । তাইবঙ মপুদি অশোয়বদু খূদুম চন্নবা পুকচেল শেংনা হোৎনবদু পাম্মি । ঐখোয়না অশোয়বশিংবু পুকচেল শেংনা খঙনবা হোৎনবদা, খুদোং থিবা কয়া থেংনরবসু, ঈশ্বরনা উবিবা মতমদা ঐখোয়গী পুকচেল শেংবা অদুবুদি শকখঙবি । তাইবঙ মপুদি মিনুংশি অমসুং থৌজালগা শাগোন্নবা তাবী হৈবনি । ঐখোয়না কন্না হোৎনরবতদা মহাক্কী মতেং ফংগনি । ঐখোয়গী অশোয়ববু খূদম চন্দুনা, মদুবু লংশেকখিদুনা হেন্না খূমাং চাওশিনবা য়ানবা থৌনা অদু তাইবঙ মপুনা ঐখোয়দা পীরি । (525 ৱার্ড্)



Downloaded From: http://iasexamportal.com

Downloaded From: http://iasexamportal.com

**Q4.** মখাগী ৱারেং অসি মণিপুরীদা হন্দোকউ : *20*

Most people involved in the film production industry know that there is a constant evolution. The change is in the way movies are made, discovered, marketed, distributed, shown, and seen. Following independence in 1947, the 1950s and 60s are regarded as the 'Golden Age' of Indian cinema in terms of films, stars, music and lyrics. The genre was loosely defined, the most popular being 'socials', films which addressed the social problems of citizens in the newly developing state. In the mid-1960s, camera technology revolutionized the documentary method by enabling the synchronized recording of image and sound. Today, CINEMA 4D users are free to create scenes without worrying about the size of objects or how many objects are in the scene, shaded settings, texture size, multipass-rendering or eye-catching particle systems.

Until the 1960s, film-making companies, many of whom owned studios, dominated the film industry. Artistes and technicians were either their employees or were contracted on a long-term basis. Since the 1960s, however, most performers went the freelance way, resulting in the star system and huge escalations in film production costs. Financing deals in the industry also started becoming murkier and murkier, since then. According to estimates, the Indian film industry has an annual turnover of ₹ 60 billion. It employs more than 6 million people, most of whom are contract workers as opposed to regular employees. In the late 1990s, it was recognized as an industry.

More money impacted the perception, visual representation, and definitions of reality. Like any other media of mass communication, the themes are relevant to their times.

Thus, film-making became more expensive and riskier. As opposed to the time of the Gemini Studios, when only 5 percent of a movie was shot outdoor, film-makers often select overseas locations in order to create greater realism, manage costs more efficiently or source people and props. Film-makers spend considerable time scouting for the perfect location.



Downloaded From: http://iasexamportal.com

Downloaded From: http://iasexamportal.com

**Q5.** মখাগী ৱারেং অসি ইংরাজীদা হল্লু : **20**

ফাগী হায়বসি হরাও-নুংঙাইবগী ঈহুন পোকহনবা মীগী, পোৎকী নত্রগা ফীভমগী তৌবা ঙম্বগী মতীক নত্রগা মগুণনি । ৱাহৈ (টর্ম) অসিনা মীবু নোকহনবা নত্রগা নুংঙাইহনবা পূক্লিং ঈহুনবু য়াকায়হনবা হরাও কুম্মৈগী নত্রগা মীওইবগী কম্যুনিকেসনগী মওং অমবু কোনশিল্লি ।

সমালোচনাদি রিচার তৌবগী নত্রগা খঙহল্লবা ৱাহন্দোক্ পীবগী থবক-থৌওংনি । কন্সত্রক্তিব সমালোচনাদি ৱাখল মীৎয়েং ফাওনবগী মওং অমনি। মসিনা মী অমনা অকল-অরিংগী নওবা পাম্বৈনা অতোপ্পা অমগী মীৎয়েং চুমথোক্লবা হোৎনৈ, অয়াম্বগী ইনা দিপলোমেসিগী ওইবা মওংদা অতোপ্পা মীশক অমনা তৌরিবদু সমাজগী ওইনা চুমদবনি হায়বদু খঙহল্লি । 'কন্সত্রক্তিব' হায়বসি য়াথং নত্রগা ইকায়বা পীবগা ওন্ন তৈনবনি, মসিদি শান্তি ওইনা অফবা-কান্নবা মওংদা চুমথোক্লবা হোৎনবনি ।

সেটয়ার হায়বসিসু সমালোচকশিংনা শীজিন্নবা খূৎলোয় অমনি । মসিদি লৌশিং-ৱাঙাং, নোক্লিংবগা শাগোন্নৈ, অদুবু সেটয়ারগী পান্দমদি ফাগী তৌবা নত্তে, থৌদোক অমা, মীশক নত্রগা কাঙলুপ অমবু হৈ-শিংবা মওংদা সমালোচনা তৌবনি । সেটয়ার হায়বসি খ্বাইদগী কূপ্পা সাহিত্যগী তর্মশিংগী মরক্তা অমনি । মসিগী অকক্লবা পান্দমফম্ অমা-মী অমা নত্রগা কাঙলুপ অমা, ৱাখল্লোন অমা নত্রগা ফিরেপ অমা, ইন্সতিত্যুসন অমা নত্রগা সমাজগী চৎনবী অমদা ওই । অদুগা পান্দমফম্ অদু করেম্নবা মওংদা হেক হেক উৎলি ।

করিগীনো হায়ববু সেটয়ারদি অশাওবগা ফাগীগা হেক হেক পূল্লি । মসি কন্না পূকনিং লৈতাহন্দবা ওইবা য়াই, মসিগী তংঙায় ফন্দবদি 'আইরোনিক' ওইবনি, মসিদা অকনবা মওংগী মচেক্লা য়ৈবা ৱাঙাং 'সরকাজম' য়াওরিবনি, মরম অদুনা মসিবু লান্না হেক হেক লৌনৈ ।

সেটয়ার হায়বসি কলাগী ফোর্ম অমনি । মসিদা মীওইবগী নত্রগা কনাগুম্বা অমগী ফওবা থবক, অপঙবা মতৌ, লান্না শীজিন্নবগী মওং অশোয়বশিংবু করেম্নদুনা, ফাগি তৌদুনা, লক্লদুনা নত্রগা অতৈ পাম্বৈশিংনা, করিগুম্বা মতাংদা হেন্না ফগৎলক্লবগী মীৎয়েংগা লোয়ননা উৎনবা হোৎনৈ । সাহিত্য অমসুং ড্রামানা মসিগী মরুওইবা শাদোংনি, অদুবু ফিলম, ভ্রিজ-য়েল আর্ট, পোলিতিকেল কার্তুনগুম্বা মেদিয়াশিংদসু উবা ফংই । হোরাসতদি-সেটয়ারিস্ত হায়বসি মফম খূদিংদা অপঙবগী থৌদৌ ঙাক্তা উবা, অদুবু শাউবগী মহুত্তা নোকফেৎ তৌবা মালেমসিগী খ্বাইদগী লৈবাকমচা তাবা মীশক অমনি ।



Downloaded From: http://iasexamportal.com

Downloaded From: http://iasexamportal.com

**Q6.** (a) মখাদা পীরিবা ৱাহৈ কাঙলূপশিংগী অর্থ পীয়ু : 2×5=10

(i) অঙাং ওনহনবা 2

(ii) খমুং শরা তানবা 2

(iii) খোম্লেন তূমখুন তানবা 2

(iv) চীংখৈ ফিদুপ হুনবা 2

(v) লাইজ ঈয়োংবা 2

(b) মখাদা ৱাহৈশিং অসি তোঙান তোঙানবা অর্থ পদুনা ৱাহৈ পরেং অনী অনী শেম্মু : 2×5=10

(i) তাবা 2

(ii) কাবা 2

(iii) থাবা 2

(iv) লৈবা 2

(v) পৈবা 2

(c) মফম মতমগী মতুংইন্না শীজিন্নবা অতোপ্পাৱাহৈনা মহুৎ শিল্লু : 2×5=10

(i) লিন 2

(ii) কৈ 2

(iii) য়াইঙং 2

(iv) শুমজিৎ 2

(v) ঈরোনবা 2

(d) মখাগী ৱাহৈশিং ৱাহৈ খরনা ইথোক্তুনা তাকউ : 2×5=10

(i) লনশোৎপী 2

(ii) শঙ্গোন্ 2


(iii) ফিদুপ 2

(iv) লাল্লুম্বা 2

(v) তস্ফাজাউ 2



Downloaded From: http://iasexamportal.com




## What you will get:


- 100% G.S. Syllabus Covered
- 8+ Booklets
- More Than 2500+ Pages
- Guidance & Support from Our Experts

## Our Objectives:

- Firstly to cover 100% civil service Mains examination (IAS) syllabus.
- Secondly to compile all the required study materials in a single place, So to save the precious time of the aspirants.

For More Information Click below Link

http://iasexamportal.com/civilservices/study-kit/gs-mains




# Online Coaching for IAS Mains General Studies I, II, III & IV (Combo)

## What you will Get (?)

- **General Studies (Paper – I, II, III & IV) Online 100 % Reading Material of the Syllabus (Which can be saved easily)**
- **Slides (For Giving Summary of Each Topics)**
- **Categorized Unit and Sub-Unit Wise Question Papers of General Studies**
- **Current General Studies Magazine (Indispensable Magazine for General Studies)**
- **Daily Answer Writing Challenge for IAS Mains Contemporary Issues**
- **It is full of tips on areas of emphasis, caution while reading and writing , how to write the answer (?) .**
- **Model Test Question Paper for General Studies - I, II, III and IV for Mains Exam 2015**
- **Online and Telephonic interaction with the course director, and continuous evaluation through a regular online writing session in every chapter and topic.**

For More Information Click below Link

http://iasexamportal.com/civilservices/courses/ias-mains-gs-combo




# G.S. FOUNDATION COURSE (PRELIMINARY+ MAINS)

---

**Dear Aspirants,**
The Indian Civil Services examination is conducted by the Union Public Service Commission (UPSC) every year.

The competitive examination comprises of three stages :

- Preliminary Examination – (Objective Test)
- Main Examination (Written )
- Interview Test

The examination schedule is announced during January - February.

The Preliminary held in May-June and the results are announced in July-August.

The Main examination held in October-November and the candidates those who qualify at this stage are invited to the interview in March-April next year.

## We will provide you:

- BOOKS
- STUDY KITS
- MAGAZINES
- Mock Test Papers
- Monthly Magazine- Civil Services Mentor
- Gist of Important Newspapers
- Free Access to Online Coaching at IASEXAMPORTAL
- Previous Year paper’s with solution
- Previous Year question’s trend analysis
- Free Login Access worth Rs 1999 for IAS PRE 2015
- Free Gist Subscription worth Rs 449
- Free Weekly Subscription worth rs 399
- TELEPHONIC/EMAIL GUIDANCE WITH COURSE CO-ORDINATOR

**For More Information Click Given below link:**

http://iasexamportal.com/civilservices/study-kit/ias-pre/general-studies-foundation-course